# সানিয়া মিরজা-রোহন বোপান্নানা মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ ঃ

ইন্দিয়াগী দোও সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নানা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী কম্পিটিসনগী মিক্স দবলস ইভেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা সমান্থা ষ্টোসুর অমদি জোন পীয়সপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।



সানিয়া অমদি বোপান্নানা মখোয়গী ওপনিং রাউন্দ মেচ অদু ৭-৫, ৬-৪ দা মিনিট ৭৩ চঙনা শান্নখিদুনা মায় পাকখি। ইন্দিয়াগী মেদলগী আশা তৌরিবা মরিশুবা সীদেদ মিরজা-বোপান্নানা ওপনিং সেটতা মখোয়গী ওপোনেন্টপু শাফু কল্লবা সার্ভিসশিং মনম-মনম পীশিনখিদুনা ৫-৪ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ওষ্ট্রেলিয়নসু ইন্দিয়াগী মায়োক্তা কাউন্টর এটেকশিং চঙশিনখিদুনা ৫-৫ দা লৈখি। সানিয়া অমদি বোপান্নানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মথক থংনা অমুক শান্নরকখিদুনা ৬-৫ দা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়ননা অহানবা সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা সানিয়া অমদি বোপান্নানা মায়োক্লখিবা টিমদগী শাফু খরা ফংখিদুনা শান্নবা হৌরকখিবনা ওষ্ট্রেলিয়ানা খুদোংচাবা লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পীয়রসনা দবল ফোল্ট তৌখিবদগী ইন্দিয়ানা ৩-২ দামাঙজিল থাখি অমদি মখোয়গী সার্ভিসতা খুদোংচাবা লৌদুনা ৪-২ দা মাঙজিল অমুক থাখি। অদুম ওইনমক বোপান্নানা সার্ভিস গেমদা অনীরক দবল ফোল্ট তৌখ্রবসু অথুবদা ফোর্ম তানা লাকখি। মিনিট ৩৭ চঙনা শান্নখিবা সেট অদুদা ইন্দিয়ানা ৬-৪ দা মায় পাকখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নানা অনসীদেদ জুরা গ্রেট ব্রটেনগী এন্দি মরে অমদি হিথর ৱাটসনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। এন্দি মরে অমদি হিথর ৱাটসননা স্পানিশকী জুরা দেভিদ ফেরর অমদি কার্লা সৌরেজ নভারোবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

হৌখিবা চহী মরিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা সানিয়া মিরজানা লীএন্দর পেসকা জুরা শেমদুনা শরুক য়াখিবদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি। পনবা য়াই, শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা নুপা অমদি নুপীগী দবলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিং মায়থীহৌখ্রবনি।


# রফেল নদালনা গিলেস সিমোনবু মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ঃ

রফেল নদালনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্না অহুমশুবা ওলেম্পিক্সকী গোল লৌনবা মঙলান অদু হেন্না ময়েক শেংহনখ্রে।

কুমজা ২০০৮ গী চেম্পিয়ন অসিনা ফ্রেঞ্চমেন গিলেস সিমোনবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। নদালনা মায় পাকখিবা অসিনা ফ্রেঞ্চমেন অসিগা মাপনলক মায়োক্লখিবদা নিপাল্লক মায় পাকপসু ওইখি।

মেজর ৱিন্নর ১৪রক ওইখ্রবা নদালনা মহাক্কী খুদাংদা শোকখিবদগী ফ্রেঞ্চ ওপনদগী ৱিঠদ্রোল তৌখি অমদি থা অনীগী মনুংদা রিওগী মেচ অসিনা মহাক্কী অহানবা টুর্ণামেন্টসু ওইরি।





নদালনা মেচ লোইরবা মতুং হায়খি, মরু ওইবা প্লে অসি ঐনা মায় পাক্লে। ঐনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙবা অসি খ্বাইদগী নুঙাইবা পাউনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ঐনা মসিগী পোজিসন অসিদা লৈগনি হায়বসি খল্লুবা তৌদে, অদুবু ঐনা খ্বাইদগী ফবা মেচ শান্ননবগী অপাম্বা অমদি থৌনা অদু ৱাংখৎহল্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী মেচ পুল্লমক নোং চুবনা মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রবা মতুং মশাগী চহী ৩০ শুরবা অসিনা মহাক্কী ফিটনেস অমদি ষ্টেমিনাগীদমক অকনবা টেষ্ট তৌরি। মহাক্না নুপাগী দবলসতা মার্ক লোপেজগা পাদুনা কনাডাগী দানিএল নেষ্টর অমদি ভাসেক পোসপিসিলগা শান্নদুনা ফাইনেলগীদমক মফম কনগদৌরি। নদালনা মিক্স দবলসতা ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাগা জুরা শেমদুনা চেক রিপব্লিককী লুসি হরাদেক্কা অমদি রাদেক ষ্টেপানেক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

রিও ওলেম্পিক টেনিসকী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীখিবা জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোনা জপানগী টারো দানিএলবু ৬-৭ (৪/৭), ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি।

মশাগী খুদাংদা মতম কুইনা নাদুনা লাকখিবা অমদি কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন দেল পোট্রোনা মথংগী রাউন্দদা স্পেনগী তরাশুবা সীদ রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটকা লম্বা তৌদুনা সেমী ফাইনেলগী মফম কন্ননবগীদমক শান্নগনি। ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৪১ শুবদা লৈরিবা দেল পোট্রোনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্চ মেদল লৌখিবনি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা অমেরিকাগী তরেৎশুবা সীদ মেদিসন কিজনা রসিয়াগী দারিয়া কাসাটকিনাবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। জোনসননা রসিয়াগী ইভজেনি দোনস্কোয়বু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীরমখি। জোন্সননা নম্বর টু অমদি দিফেন্দিং ওলেম্পিক মেদলিষ্ট ওইবতা নত্তনা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন অহুল্লক ওইখ্রবা এন্দি মরেগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

মেন'স দবলসতা জোন্সন অমদি জেক সোকনা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্গি অমদি হোরিয়া টেকাউগী মখুৎতা ৬-৩, ৭-৫ দা সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌখি। জোন্সন অমদি জেক সোকনা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক কনাডাগী দেনিএল নেষ্টর অমদি ভাসেক পোস্পিসিলগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। করিগুম্বা মখোয়না মায় পাক্লবদি ব্রোঞ্চ মেদলগী মপু ওইগনি। সোকসু মিক্স দবলসতা বেথানি মাট্টেক-সেন্দগা জুরা শেমদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি। অমেরিকাগী জুরা অসিনা টিম ১৬ কী ইভেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা ভেনস ৱিল্লিয়মস অমদি রাজিভ রামনা মখোয়গী মিক্স দবলসকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে। মাট্টেক-সেন্দস অমদি সোকনা বৃটেনগী জোহানা কোন্টা অমদি জেমি মরেবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ৱিল্লিয়মস অমদি রামনা দটচকী জুরা কিকি বর্টেন্স অমদি জীন-জুলিয়ন রোজরবু ৬-৭ (৪), ৭-৬ (৩), ১০-৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াই, ৱিল্লিয়মসনা রিওগী নুপীগী সিঙ্গলস অমদি দবলসকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি। মহাক্কী মচে অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ইভেন্ট অনীমক্তা শরুক য়াখি অমদি নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# চাইনিজগী স্বিমর চেন জিনয়ি দ্রগ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ ঃ

চাইনিজগী স্বিমর চেন জিনয়িবু রিও ওলেম্পিক্সতা দোপিং টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখ্রে হায়না চাইনিজ স্বিমিং এসোসিএসন (সি এস এ) গী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অদুদা চেন জিনয়িবু নোংমাইজিং নুমিৎতা টেষ্ট তৌখিবদা দ্যুরেটিক ওইবা হাইদ্রোক্লো-রোথিয়াজিদ শিজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইরমখি। মশাগী চহী ১৮ শুরবা নুপীমচা অসিনা মিটর ১০০ গী নুপীগী বট্টরফ্লাইগী ফাইনেলদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি। চেননা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) দা মখা তানা টেষ্ট অমদি হিয়ারিং তৌননবগীদমক হায়জখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না শিজিন্নরল্লিবা দ্রগ অদু পার্ফোর্মেন্সতা মতিং পীবা পোৎলম অমনি। হায়রিবা পোৎলম অসি অথিংবা থমদুনা লৈরিবা দ্রগ মখল অমনি। রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা চিনাগী এথলেট সুন য়াংবু ওষ্ট্রেলিয়াগী মাক হোরটোননা দ্রগ শিজিন্নরে হায়না ফোঙদোরকখিবদগী চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা এপোলোজি তৌনবা তকশিন্দুনা লৈরিবনি।

সুন য়াং অসি চিনাগী খ্বাইদগী মায় পাক্লবা স্বিমর অমনি। মহাক কুমজা ২০১৪ দা দোপিংগী মরালদা থা অহুম অথিংবা থমখি। হৌখিবা মার্চতা চাইনিজ স্বিমিং এসোসিএসন্না চাইনিজগী স্বিমর তরুক দ্রগ পোজিটিব ওইরে হায়না লাউথোকখিবা লৈখি। মখোয়গী মনুংদা অনী অমদি ৱার্নিং তৌখিবনি।

# কেন ৱিল্লিয়মসননা মালেমগী খ্বাইদগী থুনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙস্বা বেটসমেন ওইরে



বুলাৱায়োদা, ওগষ্ট ১২ঃ

জিম্বাবৱেগী বুলাৱায়োদাদা ন্যুজিলেন্দ অমদি জিম্বাবৱে অনীগী শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ন্যুজিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিল্লিয়মসননা সেঞ্চুরি লৌখিদুনা মালেমগী খ্বাইদগী থুনা অমদি খ্বাইদগী চহী নৌনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙস্বা বেটসমেন ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা ৱিল্লিয়মসননা অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুদা মহাক্কী ১৪শুবা সেঞ্চুরি লৌখিদুনা ন্যুজিলেন্দনা অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট মরি তুরগা রন ৫৮২ দা দিক্লার তৌখি। ৱিল্লিয়মসননা মায়োক্লখিবা বোল ১৫১ দা রন ১১৩ (ফোর তরা) লৌখি। ন্যুজিলেন্দগী অতোপ্পা বেটসমেন টোম লাথমনা রন ১৩৬ অমদি রোজ টেলরনা রন ১২৪ লৌদুনা জিম্বাবৱেগী বোল্লরশিংবু নিংবা কায়হনখিবনি। রোজ টেলরনা মহাক্কী মশক থোক্লবা রন অদু লৌদুনা নোট আউটতা লৈখি। ৱিল্লিয়মসনগী সেঞ্চুরি অদুনা টেষ্ট শান্নবা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা সেঞ্চুরি লৌবা ন্যুজিলেন্দগী খ্বাইদগী চহী নৌরিবা বেটসমেন ওইখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা ১৩শুবা বেটসমেনসু ওইবা ঙমখি।

বেটসমেন গেরি ক্রিষ্টেন, ষ্টেভ ৱাগ, সচিন টেন্দুলকর, রাহুল দ্রাভিদ, সার্ভন অটাপটু, ব্রাইন লারা, অদাম গিলখৃষ্ট, রিক্কি পোর্ন্টিং, কুমার সঙ্গাকরা, মহেলা জয়াৱর্দনা, জেক কালিস অমদি য়ৌনিস খানসু সেঞ্চুরিশিং লৌখ্রবসু মশাগী চহী ৩০ লাম্হোক্লগা লৌখিবনি।

হান্নগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেভ ৱোগনা মশাগী চহী ৩৮ গা নুমিৎ ৪৭ নি শুবা মতমদা টেষ্ট সেঞ্চুরি লৌদুনা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা বেটসমেন ওইরি। অদুগা কুমারা সঙ্গাকরানা চহী ৩০ গা নুমিৎ ৩৮ নিদা খ্বাইদগী নহা ওইনা টেষ্ট সেঞ্চুরি লৌবগী রেকোর্দ থল্লমখ্রবসু হৌজিক্তি ৱিল্লিয়মসননা রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মখুৎতা মায়থীখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা অমুকসু হন্না মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদবদগী মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মখুৎতা ০-৩ দা মায়থীহৌদুনা অহুল্লকশুবা ওইনা মায়থীখি।



কুমজা ১৯৮০ দা শরুক য়াখ্রবা মতুংদা নুপীগী ওলেম্পিক হোকিদা অমুক হল্লকখিবা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ওইনা মায় পাক্লবা চঙলকখ্রবসু মায়োক্লখিবা য়ু এসকী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদবদগী মায়থীবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনখি।

য়ু এসকী মখুৎতা মায়থীখিবা অসিনা টিম তরুক্লা পুল্লিবা গ্রুপ বিদা ইন্দিয়ানা খ্বাইগী মনিংদা জপানগা লৈমিন্নখ্রে। ইন্দিয়ানা মহাক্কী ফংখিবা মেচ মরিদা পোইন্ট অমখক্তমক ফংবা ঙমখিদুনা টুর্ণামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙনবগী শাগৎচখিবা মঙলান অদুদা চাউরবা চৈনা অমা পীবগুম থোকখ্রে। ইন্দিয়ানা মঙোন্দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবা অর্জেন্টিনাগা ওগষ্ট ১৩ দা মখোয়গী অরোইবা পুল মেচ ওইনা শান্নগদৌরিবা অসিদা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুদোংচাবা অমদি ফংলবা য়ারি। অদুবু অর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীবা হায়বসি তয়াং-তশোয়না লৌবা য়াদ্রি।

অমেরিকানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী বোলশিং অদু ইরাই লায়না মায়োক্ল খিবা টিমদা হেক হেক পীথোক্তুনা উপায় লৈতনা খাঙখি। মেচ অদুদা অমেরিকানা পেনাল্টি কোর্নর মাপন ফংখ্রবসু ইন্দিয়ানা অমফাওবা ফংবা ঙমখিদে। অদুমকপু অমেরিকানশিংসু মখোয়গী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নরদগী গোল অমফাওবা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মখোয়গী গোল অহুম্মক ফিল্ডদগী চনখি।

অমেরিকাগী কেথলিন বামনা মেচকী মিনিট ১৪ অমদি মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অনী চনখি অদুগা মোলিসা গোঞ্জালেজনা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমগা চনশিনখি। ইন্দিয়নশিংনা মায়োক্লখিবা সাইদতা শুট খরা তৌখ্রবসু মখোয়গী ওপোনেন্টনা হেক হেক নক্সাৎখিদুনা কান্নবা ফংখিদে।

মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা অমেরিকাগী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে। অমেরিকানশিংনা ইন্দিয়াগী সাইদতা চঙশিনখিবা দেঞ্জরস ওইরবা প্লেদা কেথলিননা মেচগী মিনিট ১৪ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টরদা মশক থোক্লা শান্নরক্তুনা অমেরিকাগী মায়োক্তা খুৎ হল্লকখি। ইন্দিয়াগী প্লেদা অমেরিকানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অনী গোল কিপর সাভিতা পুনিয়ানা সেভ তৌদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে। মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা রাণি রামপালনা অকনবা শাফুদা থাজিনখিবা বোল অমা প্রিটি দুবেগী মখোঙদা পাল্লগা থকতোরকখিবা বোল অদুনা বোর্দতা পানবগী মখোল ওইনা থোক্লকখিদুনা গোলগী আশা মাঙখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদসু ইন্দিয়ানা নিংথিনা শান্নরকখ্রবসু অমেরিকানশিংগী দিফেন্সতা লানশিনবা ঙমখিদে। অমেরিকানা তৌখিবা এটেক অমদা কেথলিননা মেচকী মিনিট ৪২ চৎপদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা অমেরিকানশিংনা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা মোলিসা গোঞ্জালেজনা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

# শট্টলর কিদম্বি শ্রীকান্ট মায় পাকখ্রে, মনু আট্রি অমসুং বি সুমিথ রেদিনা মায়থীহৌখি

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ঃ

ইন্দিয়ন শট্টলর কিদম্বি শ্রীকান্টনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ইভেন্টকী গ্রুপ ঐচকী ওপনিং মেচতা মেক্সিকোগী লিনো মুজোনবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-১১, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চউশিনখ্রে।



হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি অসিনা মশক থোক্লবা শুটশিং অমদি মতাং মতম চানা অকনবা শাফুদা য়ৈশিনখিদুনা অহানবা গেম অদু মিনিট ১৬ তদা ২১-১১ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়ন অসিনা অহৌবদা শোল্লপ শান্নবা হৌরকখি অমদি অনফোর্স ইরর খরা তৌখ্রবসু মখা তাবা খোঙজংদা নিংথিনা শান্নখিদুনা মিনিট ২৫ দা ২১-১৭ তা মায় পাকখি।

কিদম্বি শ্রীকান্টনা মথংগী রাউন্দগীদমক মায় পাক্লবা শেম-শাবগী থবক চঙশিনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াই, শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী শট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱলনা মখোয় মখোয়গী গ্রুপ গেমশিং নিংথিনা মায় পাক্তুনা মখোয়গী কেম্পেন চঙশিনবা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা নুপীগী দবলসতা জ্বালা গুট্টা অমদি অশ্বিনি পোনাপ্পানা মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মেচতা মায়থীহৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী শট্টলর মনু অট্রি অমদি বি সুমিথ রেদিনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী দবলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মালেমগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দোনেসিয়াগী অহসান মোহমদ অমদি মেটিয়াৱান হেন্দ্রাগী মখুৎতা ১৮-২১, ১৩-২১ দা মায়থীহৌখ্রে।

নুপাগী দবলসকী গ্রুপ দিদা তারিবা ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা রাউন্দ রোবিন ষ্টেজদা মেচ অহুম শান্নগনি। মনু অট্রি অমদি বি সুমিথ রেদিনা মথংগী রাউন্দদা মালেমগী মঙাশুবদা লৈরিবা চিনাগী জুরা বিয়াও চাই অমদি হৈ হোংগা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি।

# সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা টেনিসতগী পোত্থানবগী মঙলান শাগৎপা তৌদ্রি : রিপোর্ট



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১২ ঃ

অমেরিকাগী টেনিস ষ্টার সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রিও ওলেম্পিক গেমসদগী মায়থীদুনা য়াম্না ঙন্না মপান থোকখ্রবসু টেনিসতগী পোত্থানবগী মঙলান শাগৎপা তৌদ্রি।

ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী তরেৎলকশুবা টাইটল লৌদুনা ষ্টেফি গ্রাফকী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ লৌবগী রেকোর্দকা মান্নহনখ্রবা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱানদা লৈরিবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রিওদা ওলেম্পিক গেমসগী তরুকশুবা গোল্ড মেদল লৌনবগী মঙলান শাগৎখিবা অদু রিওগী টেনিস টুর্ণামেন্টদগী য়াম্না ঙন্না লৈহৌখিবদগী কায়খি। মহাক্না কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

সেরেনানা মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসকা জুরা শেমদুনা ওলেম্পিক্সকী মরিশুবা গোল্ড মেদল লৌনবা শাগৎখিবা আশা অদুসু অরেম্বা তাখি।

হৌখিবা চহী ২০ হেন্না টেনিস শান্নদুনা লাকখ্রবা সেরেনানা হায়খি, ঐনা কোর্টতা মায়োক্লবা লম্বাশিংগা শান্নবনা হেন্না নুংঙাইবা পোকই। ঐহাক্লা মশান্না অসিদগী পোত্থারগে হায়না খনখিবা লৈখিদ্রি। ঐহাক্লা ঐগী লৈজবা হৈ-শিংবশিং অদু পুথোক্তুনা শান্নবা অদু মীয়ামদা উহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।


সেরেনা অমদি ভেনস ৱিল্লিয়মসনা দবলসতা শান্নদুনা কুমজা ২০০০ গী সিদনি অমদি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদলশিং লৌখি। অদুবু কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্সতদি সেরেনাগী ওইথংবা খুউদা শোকখিবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদে।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা হায়খি, টেনিস প্লেয়রশিংনা গ্রান্দ স্লামদা শরুক য়াদুনা টাইটল লৌনবগী মঙলান শাগৎচরবসু ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা মেদল লৌবসিসু তোঙানবা মহাও অমনি। ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বসিনা অতৈদগী তোঙাল্লি অমদি অতৈ ট্রোফিশিংদগী হেন্না মগুণ লৈবা হেল্লি। অদুবু হন্দক পাঙথোক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতা য়াম্না ঙন্না লৈহৌখিবা অসিনা ঐনা মঙজরকপা মঙলান অদু কায়খ্রে। অদুবু থোইদোকপা পেন্দবদি লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মাইকেল ফেলপসনা চহী ২১৬৮ চূপ্না থম্লকখিবা রেকোর্দ থুগায়খ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১২ ঃ

বি সি ১৫২ দগী থম্লকখিবা মতম শাংলবা পুৱারী অমা অমেরিকাগী স্বিমিংগী লেজেন্দ মাইকেল ফেলপসনা রিও ওলেম্পিক গেমসকী শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী ২২শুবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড লৌবা ঙমখিদুনা পুৱারী অদু থুগায়বা ঙমখ্রে।



হায়রিবা পুৱারী থুগায়খিবা অসি মাইকেল ফেলপসনা মিটর ২০০ গী মেদলেদা মহাক্কী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবদগী লিওনিদাস ওফ রোদসনা চহী ২১৬৮ চূপ্না থম্লকখিবা পুৱারী অদু থুগায়খিদুনা মশামক্কী রেকোর্দনা মহুৎ শিজিনখি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট লিওনিদাস ওফ রোদসনা মহাক্কী মরিশুবা এন্সেন্ট গেমস অদু বি সি ১৫২ দা শান্নখি অমদি এদিসন অদুদা মহাক্না গোল্ড মেদল অহুম লৌদুনা মহাক্কী অপুনবা মেদল ১২ শুখি। ফেলপসসু মহাক্কী মরিশুবা ওলেম্পিক্স ওইনা রিওদা শরুক য়াদুনা ইন্দিভিজুয়েল গোল ১৩ লৌবা ঙমখি। ন্যু য়োর্ক টাইমসকী মতুংদা লিওনিদাসনা এদিসন অদুদা য়ার্দ ২০০ অমদি ৪০০ গী রেসতা গোল্ড মেদল লৌখি। মদুদা ব্রোঞ্জ আর্মর অমদি সিল্ডসু পীবগী চৎনবী লৈখি। মসিবু হোপ্লিটোদ্রোমোস হায়রগসু খঙনৈ।

য়ার্দ ২০০ গী রেস অসিবুনা ষ্টাদিওন হায়না অরিবা মতমদা খঙনৈ অমদি য়ার্দ ৪০০ গী রেসনা দিয়াওলোস হায়রগা খঙনৈ। লিওনিদাসনা বি সি ১৫৬, ১৬০ অমদি ১৬৪ দা শরুক য়াদুনা মদুদা পাঙথোকখিবা রেসশিং অদু মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ফেলপসনা হৌজিক মহাক্কী কেরিয়রদা ওলেম্পিক্কী মেদল ২৬ লৌদুনা ফেল্লো অমেরিকন কার্ল লেৱিস অমদি অল কোর্টরগা মান্নখ্রে।